**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-05-2026)**

**কাংপোকপী (এল) ঃ** কাংপোকপী জিলাগী কোটজিম অমসুং কোটলেন্দ অনিগী মরক্তা লৈবা জিরো পোইন্ট হায়না খঙনবা মফম অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা চর্চকী লুচিংবশিং য়াওনা মীওই অহুম শিরে। অশিবা হকচাংশিং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মোর্গতা থমখ্রে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাডমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ মিনিট ১০ রোম চৎপা মতমদা থোকখিবনি। চুরাচান্দপুরগী চিংকোংপাংদা পাঙথোকপা য়ুনাইটেদ বেপটিস কনভেনসনদা শরুক য়ারুরবা থাদৌ বেপটিস এসোসিয়েসনগী লুচিংবশিং অদু য়াওনা পুন্না মীওই ৮ বোলেরো গাড়ি অনিদা লম্বীদা লাকপদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা খুদক্তা মীওই অহুম শিখি অদুগা মীওই মরিনা অশোক অপন নংবদগী হৌজিক লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবশিংগী ফিভম মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মদুদা, উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি অতৈ এম.এল.এশিং-অৱাংবৌ ন্যুমাই, রাম মুইভা, লৈশিও কৈশিং, কাশিম বাশুম, সাপম কুঞ্জকেশ্বর, জমহেমলুং পামৈনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌদোক অদু কনানা করি মরমদগী থোকহনবনো হায়বা হৌজিক ফাওবদি খঙবা ঙমদ্রি হায়না উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা থৌদোক অসি লাইবক থিবনি। মীচমদা খুৎ থাবা খক নত্তনা মপুন্সি চুপ্পা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা লাই নিংদুনা লাক্লবা চর্চকী লুচিংবশিংদা অসিগুম্বা থৌওং চথদুনা মীশি মীনা থোকহনবা য়ানিংদে।

কাংপোকপীগী থৌদোক অদু মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা

কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীচমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি মীনা য়াওহনখিবা থৌদোক অসি খুৎলায় পায়বশিংগী য়ামা পাংদবা থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা ইমুং খরগী মীওইশিংদা অৱাবা পীবতা নত্তনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা অচৌবা খুরৌ ওইহল্লি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা রাজ্য অসিগী মীয়াম পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপলি। থোকখিবা লাইবক থৌদোক অদুবু ফুরপু মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবা ওইনা লৌদুনা মীচম ফাজিন্দুনা থম্বা অমদি অতোপ্পা আইনগী ৱাংমদা লৈবা থৌওংশিং খুদক্তগী লেপকদবনি। চেন্নবশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা লৈঙাকা হোৎনগনি। শোকবা মীওইশিং অদু লায়েংবগী থৌদাংসু লৈঙাকা লৌগনি হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক অদুবু নাগা এম.এল.এশিংগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা নাগা লেজিসলেচর ফোরম মনিপুরনা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগা লোয়ননা শান্তি পামজবা খুৎলায় পায়দবা ধর্ম্মগী লুচিংবশিংদা অসিগুম্বা থৌওং চথরিবশিং অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা ফাদুনা চৈরাক পীয়ু হায়রি।

তোঙান তোঙানবা চর্চকী লুপ য়াওনা রাজ্য অসিদা লৈবা লুপ কয়ানা ঙসিগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুবু মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি-কোনরাট কে. সংমা অমদি নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** ভারতকী অৱাং নোংপোক লমশিংগী নোংজ্ নুংশাগী ফিভম য়েংলগা ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী খুত্থাংদা মেতিওরোলোজিকেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা মীৎয়েং চংলগনি হায়না কেন্দ্রগী আর্থ সাইন্সেস রাজ্য মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা থাজবা পীখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ৩০ দা সংসদকী রাজ্য সভা মীফমদা মনিপুরগী এম.পি. নিংথৌ সনাজাউবা লৈশেম্বনা স্পিসিএল মেন্সন ওইনা পুখৎতুনা অৱাং

নোংপোক রাজ্যশিংদা নোংজ্ নুংশাগী ফিভমদা চাউনা অহোংবা লাকপা অসিনা মীয়ামদা পীরিবা অৱাবশিং খরদং ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙমবগীদমক দোপ্লর ৱেদর রদার থন্বীনবা তকশিনখিবা অদুগী পাউখুমদা ৱাফম অসি ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা অইবা চেরোল ওইনা থাজবা পীরকখিবনি।

এম.পি. লৈশেন্বম সনাজাউবদা থারকখিবা ডা: জিতেন্দ্রগী চেরোল অদুদা হায়-মীসন মোসমগী মখাদা নোংজ্ নুংশাগী মতাংদা মীয়ামদা মাংজোননা খঙহনবা ঙম্বা খুৎশু খুৎলায়শিং থমবা থৌরাং পায়খৎকনি হায়রি। হৌজিক্কী ওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা রাজ্যশিং অসি দোপ্লর ৱেদর রাদর মরি মথৌ তৌরি। অদুবু, নোংজ্ নুংশাগী খলদা চাউনা অহোংবা লাকপা অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল-আইজেল-দিমাপুর-সিলচর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা এক্স বেন্দ দোপ্লর ৱেদর রাদর থন্নগনি। মসিগীসু মথক্তা ৱিন প্রোফাইলর অমদি মাইক্রো ৱেব রেদিও-মিটরশিংসু থমদুনা নোংজ্ নুংশাগী মতাংদা অকুপ্পা পাউ মীয়ামদা ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি।

**মৈ (এল)ঃ** স্মার্ট প্রি পেদ মিটর পানবনা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীরি হায়না মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদ (এম.এস.পি.দি.সি.এল) না হায়রি।

স্মার্ট প্রি পেড মিটরগী মতাংদা মীয়ামদা লৈরিবা চমমবশিং কোকবা ৱাফমশিং শেংদোক্লদুনা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম.এস.পি.দি.সি.এল (কম্মরসিএল) গী জেনরেল মেনেজর-চন্দ্রমণি মংশাতাবমনা হায়-স্মার্ট প্রি পেড মিটর অসিনা হান্নগী মিটর মখলশিংদগী হেন্না খুদোংচাবা কয়া পীরি। মসিগী মনুংদা কস্তরমশিংনা মৈ শিজিন্নবগী চাং অমসুং বেলেন্সশিং য়েংবগী খুদোংচাবা য়াওরি অমদি এম.এস.পি.দি.সি.এলনসু কঞ্জুমরশিংগী য়ুম য়ুমদা চৎতুনা মিটর চেক তৌবগী খুদোংচাদবা লৈররোই।

হৌখিবা মতম খরা অসিদা স্মার্ট প্রি পোড মিটর অসি হান্নগী মিটর

মখলদগী শেল হেন্না চৎলে হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি। চাংয়েং ওইনা মিটর লিশিং মঙা পান্দুনা স্মার্ট মিটর অমসুং হান্নগী প্রি পেড মিটর অনি চাংদমবদা খেৎনবা লৈতে। কঞ্জুমরশিংনা মহাক্কী স্মার্ট প্রি পেড মিটর অসিনা হেন্না মৈ চাই হায়বগী ৱাফম লৈরবদি এম.এস.পি.দি.এলদা ৱাকৎপা য়াগনি।

**এময়ু(এল)ঃ** ত্রোংলাউবীগী থৌদোক অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়না ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী গেট মমাংদা ৱাকৎ মীফম চখ্খ্রে।

যুনিভরসিতি অসিগী মহৈরোইশিংনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদু ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ওর্গনাইজেসন (অমুকো), মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ), পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুর, ওল মনিপুর ৱিমেন ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (অমোভা) অমদি কমিতিন ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) গী মীৎয়েং মখাদা চথখিবনি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মীয়ামগা সেক্যুরিতিগা লৈনরিবা মরীশিং হেন্না চেৎশিলহন্নবা চথরকপা থৌরাংগী মনুং চন্না ঙসিসু মফম কয়াদা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে।

লিলোং অমদি চন্দ্রখোংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীহুৎশিংগ অসাম রাইফলসকী মীহুৎশিংনা ৱারী শাখি। মসিগীসু মথক্তা থৌবাল জিলাদা লৈবা সোসিএল মেদিয়া ইনফ্লোইসরশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শাখি হায়রি।

অমরোমদা, টি.বি. মুক্তা ভারত অভিয়ানগী থৌরম অমদি মালেমগী নর্সকী নুমিৎ তেংনৌপল, ককচিং অমদি চান্দেল জিলাদা পালন তৌখি হায়রি।

**ত্রেন্নিং(এল)ঃ** শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা নৈনশঙ ক্লবতা ঙসি নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্পে অমা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ ১০০ নিদা টি.বি. মুক্তা ভারত হায়বা হীরম অসিদা য়ুন্স্ফম ওইদুনা রাজ্য সরকারগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি-ইম্ফাল ৱেষ্টনা নৈনশঙ ক্লবকা খুৎশমদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা মীওই ১০২ লেমা লায়েংখি অমদি টি.বি, এৈচ.আই.ভি. অমদি ব্লড সুগর টেষ্ট তৌখি।

**নিটঃ** নিট পেপর লিগতা চেন্নবনি হায়বা মীওই মঙা সি.বি.আইনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফারে। মখা তানা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফানবগীদমক মফম কয়াদা থিবা হুন্সবগী থবক চখুরি। ফারবা মীওই মঙা অদু মনুংদা মীওই অহুম জয়পুরদগীনি অদুগা অনিনা গুরুগ্রাম অমদি নাশিক্তগীনি হায়রি।

খোঙথাং অসি চহি অসিগী নিট পরিক্ষাগী নোংমা ৱাৎলিঙৈ লন্নাইগী কোচিং ইন্সটিট্যুট অমনা পাঙথোকপা মোগ টেষ্ট অমদা নিট পরিক্ষাগী ক্কেইসন ৪২ য়াওরকপা অদুদগী মখা তানা থিজিনবা হৌরকখিবনি।

অমরোমদা, ফেদরেসন ওফ ওল ইন্দিয়া মেদিকেল এসোসিয়েসননা নিট পরিক্ষা অসিগী মখাদা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে। সুপ্রিম কোর্টতা থাংগৎখিবা পিটিসন অদুদা এসোসিয়েসন অসিনা হায়-এন.টি.এ. অসি মতিক চাদে। হৌখিবা তাঙ্কক কয়াদসু পরিক্ষাগী ক্কেইসন লিগ ওইখিবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। এন.টি.এ. অসিগী মহুৎ হেন্না মতিক চাবা এজেন্সি অমনা আইনগী মীৎয়েং মখাদা পরিক্ষা অসি পাঙথোকপীয়ু হায়না এসোসিয়েসন অসিনা তকশিল্লি।

**পিএমঃ** লৈবাক অসিগী মীয়ামনা শিন্মীৎলোনদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবগীদমক মপানদগী পুশিল্লকপা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং শিজিন্নবা হন্থহন্নবা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী কনভোই মশিং হন্থহনখ্রে।

লৈবাক অসিগী মনুংদা চৎপা প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎশিংদা তঙাইফদনা স্পিসিএল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস.পি.জি) গী চৎন-কাঙলোন ইল্লগা অতৈ

অহেনবা গাড়িশিং হন্থহনবা অসিমক লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মহাকা পীখিবা পাউজেল অদু প্রধান মন্ত্রি মশানা থবক্তা ওন্থোকপা হৌরে হায়বা উৎলি।

অকাশবানিনা হায়-গুজরাট অমদি অসামদা প্রধান মন্ত্রিনা হন্দক চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মমাংদা শিজিন্নরম্বা গাড়ি মশিংদগী হন্থখি। অদুম্মকপু সেক্যুরিতিগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিংদি অহোংবা লৈতে। নোংচুপ এসিয়াগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মালেম পুম্বদা চৈথেং নংলিবা চৈরক অসিদা লৈবাক অসিনা শিন্নীৎলোনগী লমদা মায়োকবা ঙমবা প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম তরেৎ লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ঙাকা চৎনবা খঙহনখিবনি। মদুগী মনুংদা-পেত্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং হন্থহনবতা নত্তনা অকোইবগী ফিভম ফগৎহনবদা হেন্না মতেং পাংশিনবা থবকশিংদা মায় ওনশিন্নবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহসু মহাক্কী কনভোই মশিং হান্না লৈরম্বা চাংদগী তঙ্খায় হেন্না হন্থখ্রে হায়রি।

**খারিফঃ** ইকোনোমিক এফিয়ার্সকী কেন্দ্রগী কেবিনেট কমিতিনা ইং ২০২৬-২৭ কী কালেন লৌরোক্কী মহৈ-মরোং মখল ১৪ দা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস হেনগৎনবা অয়াবা পীখ্রে।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমদি ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-সরকার অসিনা লুপা কোতি লাখ অনি লিশিং ৬০ কায়থোক্তুনা লৌমীশিংদগী মহৈ মরোংশিং লৈশিন্নবা পান্দম থল্লি। মসিদা চাউরাকা মেত্রিক টোন লাখ ৮২৪ গী মহৈ মরোংশিং য়াওগনি হায়রি। মিনিমম সপোর্ট প্রাইস হেনগৎপশিংগী মনুংদা-নুমিৎলৈ মরুনা ক্যুইটন অমদা লুপা ৬২২ হেনগৎলে। কোটনগী ওইনা লুপা ৫৫৭, সিসামুমগী ওইনা লুপা ৫০০ হেনগৎলে। মরুওইবা মহৈ-মরোংশিংগী মনুংদা গ্রেদ এ পেদি হায়রিবা ফৌ মখল অসিগী অনৌবা মমল কুইটন অমদা লুপা লিশিং ২,৪৬১ ওইরগনি। হাইব্রিদ জোৱারগী ওইনা লুপা লিশিং ৪,০২৩,

বজ্রাগী ওইনা লিশিং ২,৯০০, হবাই মাইরোংবীগী ওইনা কুইটন অমদা লুপা লিশিং ৮,৪৫০ ওইরগনি।

**এনআইএঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না নার্কো টেরোরিষ্ট-ইকবাল সিংহ এলাইস সেরা ফারে।

পোরটুর্গলদগী দিপ্লোমেটিক অমদি আইনগী ওইবা অয়াবা লৌরবা তুংদা ঙসি দিল্লি ইয়ারপোর্টতা হেক থুংলবগা এন.আই.এনা মহাকপু ফাখিবনি। ৱানে টট লাউথোকখ্রবা হিজবুল মুজাহিদনগা মরী লৈনৈ হায়রিবা মীওই অসি নাকো তেররগা মরী লৈনবা কেস অমদা চেন্নে হায়বগীদমক ইং ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা ৱান্টেট লাউথোকখিবনি। এন.আই.এনা মহাক্কী মথক্তা থিজিনবদা পাকিস্তানদগী ভারত্তা হেরোইন পাউদর পুশিল্লকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ভারত্তা বেজ তৌবা নার্কো টেরোরিষ্টনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

**ক্রিকেট ঃ** অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফিফতিন গালর্স ৱান দে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা-এ.কে.এস.দি.ওনা এন.পি.এবু থৌনাওজমবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদ শান্নখিবা মেটচদনা থাউ-থাংমৈবন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি-লালাম্বুংবু ৱিকেট ৮ মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থৌবাল মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.এ.এল. থৌবাল লৈশাংথেমনা সি.সি.কে. খোঙমনবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা

পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমবু রন-৬১ দা মায়থিবা পীখি।

খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা লৈবা পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা-ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা বি.কে.সি.সি. বামোন কম্পুবু রন-৭২ দা মায়থিবা পীখি।

লমশাংগী তাউথোংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা-সেদো-থাংমৈবন্দনা রুল-মৈত্রমবু রন-১২২ দা মায়থিবা পীখি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা এন.সি.এ. নম্বোলনা এস.দি.ও. কৈরাও মকিংবু রন-৭৫ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনদুনা লমলোং থোঙখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬ শুবা অম্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিক-২০২৬-২৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-দা য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লবনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৭-১ দা মায়থিবা পাখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা য়ুনাইটেদ পুখাউ স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** মল্টি পরপজ ক্লব (এম.পি.সি) হিয়াংথাংনা শিনবা অনিশুবা ষ্টেট লেবেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লমলাই এফ.সিনা আর.দি.ও. থৌনাওজমবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অনিশুবা মেটচতা-এম.পি.সি. হিয়াংথাংনা ঐচ.আর.সি-হিয়াংথাং রিলিফ কেম্পপু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীখি।